১৫শুবা দি এস এ ত্রোফি ষ্টেট লেভেল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ হৌদোকখ্রে

# অহানবা মেচতা এ এফ সী থৌবালনা দল্লিয়ু এল ৱাই এ ৱাঙু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৪(ঐচএনএস)ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) ককচীংনা শীন্দুনা দি এস এগী শান্নবুংদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা) গী মীৎয়েং মখাদা ১৫শুবা দি এস এ ত্রোফি ষ্টেট লেভেল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ হৌদোকখিবগা লোয়ননা অহানবা মেচতা এ এফ সী থৌবালনা দল্লিয়ু এল ৱাই এ ৱাঙুবু মায়থীবা পীখি।

টিম ৯না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৩ থোক্না খাইদোক্তুনা চথরিবা ১৫শুবা দি এস এ ত্রোফি ষ্টেট লেভেল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর নৈলেনথাং টেলিএন (আই এ এস), দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংগী প্রসিদেন্ট ৱাই মাঙ্গোলজাও অমসুং ৱাবগাই জিলা পরিষদকী মেম্বর এম জয়ন্তকুমারনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

দি এস এ ত্রোফিগী লীগ রাউন্দগী অহানবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা গ্রুপ এগী অথোকপম ফুটবোল ক্লব (এ এফ সী) থৌবাল অমসুং ৱাঙু লাইফম য়ুথ এসোসিএসন (দল্লিয়ু এল ৱাই এ) ৱাঙু লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ হৌরকপদগী হৌনা টিম অনীনা ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফকী ২০শুবা মিৎকুপ ফাওবদা টিম অনীনা লম্বা চানা শান্নখিবনা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্মদনা লৈনখি। মেচকী ২২শুবা মিনটতা এ এফ সীগী জর্সি নম্বর ১৫ সুরজনা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবদা নত্তনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোক্লগা এ এফ সীনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

মেচকী ২৯শুবা মিনটতা কে এফ সীগী জর্সি নম্বর ৬ পেনিনা দল্লিয়ু এল ৱাই এগী মায়কৈদগী চথরকপা এটেক অমা ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা রেকরেস ক্রোসিং তৌরুবগীদমক রেফ্রিনা য়েলো কার্দ পীখি। মিনট ১ কান্নরগা দল্লিয়ু এল ৱাই এগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৩ সোমখুপরেমনা এ এফ সীগী মায়কৈদা ফাওল তৌরুবদগী রেফ্রিনা য়েলো কার্দ পীখি। মিনট ৯ কান্নরগা দল্লিয়ু এল ৱাই এগী মায়কৈদগী মেচকী ১০শুবা মিনটতা মার্কোনিনা এ এফ সীগী মায়োক্তা ফাওল তারুবদগী রেফ্রিনা য়েলো কার্দ পীখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা দল্লিয়ু এল ৱাই এগী শান্নরোয়শিংনা এ এফ সীগী মাঙজিল থারিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা হোৎনরবসু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদগী লোইবা ফাওবদা এ এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা দল্লিয়ু এল ৱাই এবু লাকশিন্দুনা শান্নখি। মেচকী ৭৭শুবা মিনটতা কে এফ সীগী জর্সি নম্বর ১১ সহিদুরনা মহাক্কী টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চনশিন্দুনা মেচ অদু এ এফ সীনা পাঞ্জল ২-০দা লৈরগা মায় পাকপগী লম্বীদা চঙশিনখি। দল্লিয়ু এল ৱাই এগী শান্নরোয়শিংনা নিংহন্নবা লৈতনা এ এফ সীগী মাঙজিল থারিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা কন্না হোৎনরবসু মেচকী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবদা পাঞ্জল অমা ফাওবা হন্দোকপা ঙমদনা মেচ অদু এ এফ সী থৌবালনা দল্লিয়ু এল ৱাই এ ৱাঙুবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখি।

১৫শুবা দি এস এ ত্রোফি ষ্টেট লেভেল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী মখা চথরকপা অমদি লীগ রাউন্দগী অনীশুবা মেচ ওইনা হয়েং নুংথিল পুং ২.৪৫ তাবদা গ্রুপ বিগী এস দল্লিয়ু সী কৈক অমসুং এফ সী লমজাও লম্বা তৌনগনি।

# ৩৮শুবা স্পোর্টস ফেষ্টিবেলগা মরী লৈননা ফুটবোল এগজিবিসন মেচ শান্নখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৪(ঐচএনএস)ঃ উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা তালুই ভিলেজদা পাঙথোকপা ৩৮শুবা স্পোর্টস ফেষ্টিবেল ২০১৯গী শরুক অমা ওইনা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী শান্নবুংদা লোইশিনবা থৌরমগা মরী লৈননা ওল মণিপুর মতম ঈশৈ কাঙলূপ (অম্মিক) ফুটবোল টিমগা উখ্রুল য়ুনাইটেদ ফুটবোল ক্লব (য়ু য়ু এফ সী) কা এগজিবিসন মেচ অমা শান্নখ্রে।

এগজিবিসন মেচ অদুদা তালুই ভিলেজকী য়াম্লবা মীয়াম্না ওল মণিপুর মতম ঈশৈ কাঙলূপ (অম্মিক) কী ফুটবোল টিমগা উখ্রুল য়ুনাইটেদ ফুটবোল ক্লব (য়ু য়ু এফ সী) গা লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবা মেচ অদুনা য়েংলিবা মীয়ামবু পূক্নিং পেলহনখি। সাঙময়াং স্পোর্টস এসোসিএসন্না শীন্দুনা নুমিৎ মরিনি চূপ্না পাঙথোকখিবা ৩৮শুবা স্পোর্টস ফেষ্টিবেল ২০১৯গী নুমিদাংগী থৌরমদা অম্মিক্কী শৈশকপশিংনা ঈশৈ নোংমাইগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

চীং তম অনী অসি থাদোক্লবা য়ারোই, ঐখোয় অমত্তনি হায়বগী ৱাখল্লোন্দা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা সী সী এস কেগী প্রসিদেন্ট জিটেন্দ্র নিঙোম্বা, অম্মিক্কী প্রসিদেন্ট দল্লিয়ু সেমসন অমসুং অম্মিক্কী জেনরেল সেক্রেটরি এম ধনঞ্জয়সু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

৩৮শুবা স্পোর্টস ফেষ্টিবেল ২০১৯গী শরুক অমা ওইনা অম্মিক অমদি য়ু য়ু এফ সীগা শান্নখিবা মেচ অসিনা চীং তম অনীগী মরী চেৎশিলহন্নবা হোৎনবদা চাউনা মতেং ওইবদা নত্তনা লমদম অসিদা লৈরিবা ইনখৎলক্লিবা নহা কয়াদসু ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তংগী লাপ্না লৈহনবা ঙম্লগনি।

১৫শুবা কাঙ্গুই ইন্টর ৱার্দ ৱাইস টুর্নামেন্ট ২০১৯

# ৱার্দ নম্বর ১৪-বিনা ৱার্দ নম্বর ১৩-বিবু মায়থীবা পীরম্লগা সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৪ (ঐচএন এস)ঃ কাংপোকপী য়ুথ য়ুনিয়ন্না শীন্দুনা কাংপোকপী দি ঐচ কিয়ু এসতা লৈবা এম থোমাস গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা ১৫শুবা কাঙ্গুই ইন্টর ৱার্দ ৱাইস টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ৱার্দ নম্বর ১৪-বিনা ৱার্দ নম্বর ১৩-বিবু মায়থীবা পীরম্লগা সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

কাঙ্গুইগী তোঙান তোঙানবা ৱার্দকী টিমশিংনা শরুক য়াদুনা চথরিবা ১৫শুবা কাঙ্গুই ইন্টর ৱার্দ ৱাইস টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি মরিশুবা অমদি অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা ৱার্দ নম্বর ১৪-বি অমদি ৱার্দ নম্বর ১৩-বি শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীনা সেমী ফাইনেল চঙনবগীদমক অহানবা মীৎকুপ্তগী লোইবা ফাওবা ফজনা শান্নখি।

মেচ অদুগী অরোইবা মীৎকুপ লোইশিল্লকপদা ৱার্দ নম্বর ১৪-বিনা ৱার্দ নম্বর ১৩-বিবু পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীরম্লগা সেমী ফাইনেল চঙখি। ৱার্দ নম্বর ১৪-বিগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু লালখানলেননা মেচকী ৪শুবা অমদি ৫৯শুবা মিনট অমসুং লামগৌমাংনা মেচকী ২৩শুবা অমদি ৫৬শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী/অনী চনখি।

কে আই দল্লিয়ু এ টি ২০১৯গী ফুটবোল মশান্নগী অহানবা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা টিম বিগী ৱার্দ নম্বর ১২ অমসুং ৱার্দ নম্বর ৮ শান্নগনি। অদুগা টিম এগী ৱার্দ নম্বর ১১ অমসুং ৱার্দ নম্বর ১ শান্নগনি।

২৮শুবা কে সী মালিক মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# মোঙ্গোলোইদ ক্লবনা ঈচেল ক্লবপু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীরম্লগা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৪(ঐচএনএস)ঃ ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (আই জে এস এ) জিরিবাম্না শীন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী শান্নবুংদা জন্যুৱারী ২৮দগী হৌদুনা চথরক্লিবা ২৮শুবা কে সী মালিক মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল নোক আউট ষ্টেজগী মেচতা মোঙ্গোলোইদ ক্লবনা ঈচেল ক্লবপু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীরম্লগা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

টিম ১৫না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ কয়া থোক্না খাইদোক্তুনা চথরিবা ২৮শুবা কে সী মালিক মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ক্বার্টর ফাইনেল নোক আউট ষ্টেজকী ৩শুবা মেচ ওইনা ঙসি মোঙ্গোলোই ক্লব অমসুং ঈচেল ক্লব দিবোং শান্নখি। মেচ অদু ঈচেল ক্লবনা টোস ঙমদুনা মায়কৈ খল্লগা মোঙ্গোলোইদ ক্লবনা বোল কাওবা হৌখি। অহানবা হাফকী ১৬শুবা মিনটতা মোঙ্গোলোইদ টিমগী জেদোন মারনা পাঞ্জল অমা চল্লগা মহাক্কী টিম্না অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাফকী ৪৫শুবা মিনটতা ঈচেল ক্লব দিবোংগী জেটলিনা মোঙ্গোলোইদ টিমগী পাঞ্জল অদু হনে দাক্লগা মেচ অদু পাঞ্জল ১-১দা লৈনখি। মেচকী ৫১শুবা মিনট, ৫৭শুবা মিনট অমসুং ৭৮শুবা মিনটতা মোঙ্গোলোইদ ক্লবকী মায়কৈদগী জেহোবা ইমানুএল অমসুং সামুএল ফেরেমনা পাঞ্জল ৩ মথং মথং চনশিন্দুনা মেচ অদু মোঙ্গোলোইদ ক্লবনা পাঞ্জল ৪-১দা মাঙজিল থাদুনা মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিনখি। মেচকী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবদা ঈচেল ক্লবকী মায়কৈদগী মোঙ্গোলোইদ ক্লবকী পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদনা মেচ অদু মায়থীহৌখি। হয়েং ক্বার্টর ফাইনেলগী মরিশুবা মেচ ওইনা দিগর ঐচ এস সী অমদি ন্যু লাইফ ক্লবকা শান্নগনি।

২শুবা এস ঐচ মনি শর্ম্ম থর্দ দিভিজন ফুটবোল

# এন আই এস সী লাইরেঞ্জমনা জুবেনাইল তেরা সাপম লৈরক মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৪(ঐচএনএস)ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা) গী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন (আই দল্লিয়ু দি এফ এ) না শীন্দুনা পাৎশোই পার্ট টুগী পময়াল গ্রাউন্দদা চথরিবা ২শুবা এস ঐচ মনি শর্ম্ম মেমোরিএল থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচতা এন আই এস সী লাইরেঞ্জমনা জুবেনাইল তেরা সাপম লৈরক মায়থীবা পীখ্রে।

টিম ১২না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ অনী থোক্না খাইদোক্তুনা চথরিবা ২শুবা এস ঐচ মনি শর্ম্ম মেমোরিএল থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী গ্রুপ এগী ১১শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২.১৫ তাবা মতমদা জুবেনাইল তেরা সাপম লৈরক অমসুং এন আই এস সী লাইরেঞ্জম শান্নখি। মেচ অদুগী অহানবা মীৎকুপ্তগী লোইশিল্লকপা ফাওবদা টিম অনীনা অকনবা লম্বা তৌনদুনা ফজনা শান্নখি।

অহানবা হাফকী ২৩শুবা মিনটতা এন আই এস সীগী জর্সি নম্বর ১০ দেনিএলনা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনশিল্লগা এন আই এস সীগী গোল একাউন্ট হাংদোক্তুনা মেচ অদু এন আই এস সীনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপগা টিম অনীনা মায় পাক্লবগীদমক অহানবা হাফতগী ফজনা শান্নরকপা উখি। মেচকী ৩১শুবা মিনটতা এন আই এস সীগী জর্সি নম্বর ২ অমরজিৎনা শোয়বদগী জুবেনাইলগী পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা মেচ অদু টিম অনীনা পাঞ্জল ১-১দা লৈনখি। মেচকী লোইরমদাই মীৎকুপ ৬১শুবা মিনটতা এন আই এস সীগী জর্সি নম্বর ১৭ পি রোবিনসন্না চনখিবা পাঞ্জল অদুনা মেচ অদু মহাক্কী টিমনা পাঞ্জল ২-১দা লৈদুনা মায় পাকপগী লম্বীদা চঙশিনখি। মেচ লোইশিল্লকপা ফাওবদা জুবেনাইলগী মায়কৈদগী এন আই এস সীগী মাঙজিল থারিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা মেচ অদু মায়থীহৌখি।

৯শুবা লমলাই কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ এন্দ ইনভাটিজস কেন্দ্র মেন্স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে

# অহানবা মেচতা লনগৈ এফ সী এন - সঞ্জেনবম্না সী ঐচ ৱাই য়ু সী চালৌবু য়াম্না লাকচনা মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৪ (ঐচএন এস)ঃ চালৌ য়ুথ য়ুনিয়ন ক্লবনা শীন্দুনা ক্লব অসিগী শান্নবুংদা ৯শুবা লমলাই কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ এন্দ ইনভাটিজস কেন্দ্র মেন্স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট (চালৌ কপ) ২০১৯ হৌদোকখিবগা লোয়ননা অহানবা মেচতা লনগৈ এফ সী এন-সঞ্জেনবম্না এস ঐচ ৱাই য়ু সী চালৌবু য়াম্না লাকচনা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম ২৬না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৮ থোক্না খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা ৯শুবা লমলাই কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ এন্দ ইনভাটিজস কেন্দ্র মেন্স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী অহানবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা গ্রুপ ঐচকী লনগৈ এফ সী এন- সঞ্জেনবম অমসুং এস ঐচ ৱাই য়ু সী চালৌ লম্বা তৌনখি।

মেচ অদুগী অহুমশুবা মিনটতা লনগৈ এফ সীগী জর্সি নম্বর ৯ ক্লিনটন এম কেনা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মেচ অদু লনগৈ এফ সীনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাখি। মিনট ২ কান্নরগা মেচকী ৫শুবা মিনটতা অমুক লনগৈ এফ সীগী জর্সি নম্বর ১৭ সনাজাওবা লাইশ্রম্না মহাক্কী টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চনশিল্লগা মেচ অদু লনগৈ এফ সীনা পাঞ্জল ২-০দা লৈখি। সী ঐচ ৱাই য়ু সীগী মায়কৈদগী লনগৈ এফ সীনা মাঙজিল থারিবা পাঞ্জল অনী অদু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদগী লোইবা ফাওবদা লনগৈ এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা সী ঐচ ৱাই য়ু সীবু লাকশিন্দুনা শান্নখিবনা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা লনগৈ এফ সীনা সী ঐচ ৱাই য়ু সীবু পাঞ্জল ৫-০দা য়াম্না লাকচনা মায়থীবা পীখি। লনগৈ এফ সীগী অনীশুবা হাফতা চনখিবা পাঞ্জলশিং অদু কিরঞ্জিৎনা মেচকী ৩৬ অমদি ৩৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২ অমসুং রোজর এম কেনা মেচকী ৩৩শুবা মিনটতা চনখিবনি।



HL-P/2433/8-31-2,4 feb (alt)

ফর্ষ্ট লাইরেম্বী কপ ২০১৯ ভিলেজ ওপন নাইন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# নুংৱ্রাং এফ সী টিম এ অমসুং টোপ এফ সী মায় পাকখ্রে, দল্লিয়ু ৱাই সী ৱাংখেম ৱাক ওভর ফংখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৪(ঐচএনএস)ঃ নুংৱ্রাং এফ সীনা শীন্দুনা ফুটবোল ক্লব অসিগী শান্নবুংদা চথরিবা ফর্ষ্ট লাইরেম্বী কপ ২০১৯ ভিলেজ ওপন নাইন এ সাইদকী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচতা নুংৱ্রাং এফ সী টিম এ নিংথৌনাই অমসুং টোপ এফ সী মায় পাকখ্রে। অদুগা দল্লিয়ু ৱাই সী ৱাংখেম ৱাক ওভর ফংখ্রে।

টিম ১৮না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ মরি থোক্না খাইদোক্তুনা চথরিবা ফর্ষ্ট লাইরেম্বী কপ ২০১৯ ভিলেজ ওপন নাইন এ সাইদকী লীগ রাউন্দগী ১৮শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ বিগী নুংৱ্রাং এফ সী টিম এ নিংথৌনাই অমসুং সী ৱাই দি ও চঙমদবী মখা লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অরোইবা মীৎকুপ লোইশিল্লকপদা এন এফ সী টিম এনা সী ৱাই দি ওবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখি।

লীগ রাউন্দগী ১৯শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ দিদা টোপ এফ সীনা এন এফ সী টিম বিবু পাঞ্জল ৫-০দা মায়থীবা পীখি।

অদুগা লীগ রাউন্দগী ২০শুবা মেচ ওইনা গ্রুপ সীগী ৱাই দল্লিয়ু সী অমদি সী এম সী শান্নখিবা মেচ অদু সী এম সী লাক্তবদগী দল্লিয়ু ৱাই সীনা ৱাক ওভর ফংখি।



HL-B/4943/25/10-22/12 (alt.)

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com